ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯳, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯳ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ওক্টোবর ১৩, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৯৩ শুবা মশীং

# গভর্ণর রোড থিংজিনবা

## *চখোক-চৎশিনগী অখন্নবা থৌরাং ফাগী তারক্লে*

***ইম্ফাল*** সহর মী য়ামখৎলকপগী মতুং ইন্না শেন্মীৎলোনগী ফীভমসু খরমখৈ ফগৎনরকপনা কাংখোং মরিগী ইঞ্জিন পানবা গাড়ী তোংবা মীওইগী মশিংসু ঈচাউগুম্বা জ্-জ্ হেনগৎলক্লি। মরু ওইনা পাউনা কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেল অমসুং কৈথেল অনী অসিগা পুন্না লৈমিন্নরিবা কৈথেলশিংদা লৈরিবা মীয়ামনা মখোয় মখোয়গী গাড়ীশিং কদায়দা খামদুনা থমগদগে হায়বসি অরুবা ৱাফম অমা ওইরি। প্লান য়াওদবা সিটি ওইবতা নত্তনা মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা ৱাখল তাবনি হায়জবা মীওই কয়ানা মশা মশাগী গাড়ী পার্কিং হাপ্তুনা য়ুম শানরি। গাড়ী পার্কিং ওইদুনা কা মাংহনগদবগী শরুকপুদি কা অদু শান্দোক্লগা থা অমদা লুপা লিশিং২০ হেন্না লাকপনা ফৈ হায়বা ৱাখল্লোন্দা থবক তৌবগী খুদম ফংলি। মশা মশাগী গাড়ী খিনফম লৈত্রবদি গাড়ী লৈবা য়ারোই হায়বা মপান লৈবাকশিংদা চৎনরিবা চৎন-কাঙলোন অসি মণিপুরদা চৎনরক্লবদি ইম্ফাল ময়োলদা গাড়ী তোংগদবা মীগী মশিং য়াম্না হন্থরক্কনি। খ্বাইদগী লুরিবদি মশাগী গাড়ী পার্কিং শেমদবদগী ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী চখোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লিবা অসিনি। পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম নিংথিজনা মথৌ তৌরবদি মীয়াম্না য়ুম খুদিংগী কাংখোং মরিগী ইঞ্জিন পানবা গাড়ী তঙাই ফদবা লৈ হায়না লৌনরিবসিসু লৌনরমদবা য়াই। মুন্না খঞ্জিল্লুরবদি লৈঙাক্লা থৌশিল শেমদবদগীনি হায়না লৌরবসু য়াই। মণিপুরদা অকনবা য়ুহা হাখিবদগী খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল অনী অতেক-অকায় থোকখিবা মতুংদগীদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনুংগী লম্বী চখোক-চৎশিন্দা শাথিনা খুদোংচাদবা মায়োক্নরকখি। মসিগীসু মথক্তা মতম মতমগী ওইবা থৌশিলনা মীয়ামগী য়াইফহনগদ্রা হায়রগা হেন্না অৱাবা ওইহল্লি। লৈঙাক্লা শেল্লিবা থৌশিল অদু মীয়াম্না ঙাক্লা চৎলক্তে অমসুং থৌবাঙলোয়শিংনসু মদুবু ঙাক্লা চৎহন্নবা হোৎনবা ঙমদে। মদুনা মরম ওইরগা হৌজিক্তি পাউনা কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেলগী মরু ওইবা লম্বী খুদিংমক গাড়ী পার্কিং ওন্থোক্লে। প্রাইভেট সিক্যুরিটিগী ফিজোল শেৎপা মীওই কয়ানা লৈঙাক্কী ওর্দর য়াওই নৎত্রগা য়াওদে হায়বা খঙদনা গাড়ী থাহল্লগা শেল খোমগৎলি।

লম্বী চখোক-চৎশিন নুংঙাইনবা শেল্লিবা লো অমদি কাঙলোনশিং অসি মীওইবা ঐখোয়না ঙাক্ত্রগদি লো শেম্লুবগী করি কান্নগনি। থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা খুখ্রবা য়ুম অমগা য়ুম অমগগী তাইনবা মফম ফাওবা গাড়ী থৌজিনবা য়ানবা শেমই। খুখ্রবা লম্বী অমদসু গাড়ী পার্কসু তৌই অদুগা লম্বীসু ওইহল্লি। গাড়ী পার্ক তৌরিবা মীওই খুদিংমক লম্বী চৎপশিংদা অকায়বা পীদনবগীদমক মফম চানা চানা গাড়ী থাবগী চৎনবী লৈ। মসিনা মরম ওইরগা চাউরবা সিটি অদুদা ট্রাফিক জাম থোকপগী চাং য়াম্না হন্থে। ইম্ফাল সহরদদি লম্বীগী মতাইদা গাড়ী পার্ক তৌবা য়াদে হায়বা লৈঙাক্কী য়াথং অমা লৈখি। য়াথং অদু হৌজিকসু হন্দোকপা লৈত্রি। গাড়ী থাবা য়াদে হায়রিবা মফম অদু লন্নাই কাঙবু অমনা গাড়ী পার্কিংওন্থোক্লগা শেল তাল্লি। লোবু ঙাক-শেন্নবা লৈরিবা পুলিস পার্সনেলশিংনা য়েংদুনা লৈ। লম্বীগী মতাইদা গাড়ী অমগী ওইবা রো অমদা থাবা য়াবদু লম্বী অসি থিংজিল্লগা থম্লগে হায়বা মতাগুম্না রো তরা থোক্লা থাগৎলকই। মসিদা থিংবিনবা কনামত্তা লৈতে। পুম্নমক অসিগী মথক্তা মণিপুর পুলিসনা মখোয়দা পীবা মতীক ময়াই তাঙ্কক কয়ারক্তা লান্না শিজিন্নরি। গভর্ণর রোডতা বোম পোকখায় হায়দুনা লম্বী অসি নুমিদাংৱাইরমদগী অহিং চূপ্পা থিংজিন্দুনা থমই। লম্বীগী তঞ্জায় শম্বল খাজিল্লি। বোম পোকখায়হন্দনবা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাং ওইনা সিক্যুরিটি ফোর্সনা লম্বী অসি থিংজিনবা ওইরবদি মখোয় লৈত্রবসু য়ারে। সিফায় অমা লেপ্লগা নুমিৎ খুদিংগী কর্ফিয়ু থম্লগা লোইরে। পামদবা থৌদোক থোক্লকপা থিংননবনি হায়দুনা লম্বী অমা মীয়ামগী য়েংদনা পুলিসনা হেক্তমক থিংজিনবা হায়বসি অচুম্বা নত্তে। মসি মখোয়গী মতীক ময়াই লান্না শিজিন্নবগী খুদম্নি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি গভণর রোড হায়বসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মীয়ামগী চখোক-চৎশিনগী পাম্বে ওইনা শিজিন্নরকপা লম্বী অমনি। লম্বী অসিগী নাকল অমনা গভর্ণরগী বঙ্গলোনি অদুগা অতোপ্পা নাকল অমনা রেসিদেন্সিএল এরিয়ানি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা মীকুপ-নাহুম শিংনা ঙাক-শেনবদা চেকশিঞ্জদ্রগা মীয়ামদা ওইনা অৱাবা পীবা হায়বসি চুমদে। মরম অদুনা মণিপুর পুলিসনা লো এন্দ ওর্দরগা মরী লৈননা ঙাইহাক লৈতনা লম্বী থিংজিনবগী থৌওং অসি তুং কোইদবা ফগনি। গভর্ণর রোডতা গাড়ী পার্ক তৌবগীদি কূপ্পা য়েংশিনবা কান্নগনি অদুগা লম্বী থিংবগীদি চুম্নিংঙাই মরম লৈতে হায়জনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## মোইরাং পল্লিগী লম্বী কোয়লাস থাবীয়ু

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**ফনদি** কুইরে পকা লৌবিখিবা অদুগা হৌজিক ফাওবা কোয়লাস থাবীদনা থম্বীরি খাঙবোক্কী মোইরাং পল্লিগী লম্বী, করিগীনো? লম্বীসি অসুক্কী মতিক মরু ওই। তেন্থাদগী, সঙ্গাই য়ূম্ফমদগী, খাঙবোক্তগী, হৈয়েন লৌবুক্তগী, সরাংপাৎতগী অমদি অতৈ অতোপ্পা মীওই কয়াগী চৎথোক চৎশিন তৌনরিবা লম্বীনি। হৌজিক পোইনু থা লাক্লনি। হেন্না অমুক্কা মরু ওইরক্লনি, লৌমী-শিন্মী কয়ানা অয়ূক নুংথিল নাইদনা মীওইবা কয়াগী চিঞ্জাক ফৌ লৌশিন্নবা হোৎনবদা অমদি মখল মখা কয়াগী গাড়ীশিংনা চৎথোক চৎশিন্দা। ফৌনা মীওইবগী মরু ওইবা চিঞ্জাকনি। মসি য়াওদ্রবদি হিংবা ঙমদে। মোইরাং পল্লিগী লম্বী অসি পকাসু ফজনা তৌবিরি। ফজনা তৌবিরিবসিগী মথক্তা অমুক্কা কোয়লাস থাবীরবদি হেন্না ফজগনি অদুগা চৎথোক চৎশিন্দসু হেন্না খুদোংচারগনি নীংজে।

অরোইবদা থমজনীংবদি অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিগা তানবীরগা পুকচেল চাউরবা ঠিকাদারনা মোইরাং পল্লিগী লম্বী অসি কোয়লাস থাবীয়ু হায়জরি। মসি মীচম মীয়ামগী খোল্লাউনি। মতৌ অসুম্না মণিপুরগী মফম খুদিংদা লৈরিবা লম্বীশিংসু কোয়লাস থাবীদুনা মীচম মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা থোক্তনবা হোৎনবিয়ু হায়না মরী লৈনবশিংগী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

*অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ*
*খাঙবোক ময়ায় লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৬

১। পীরিবা অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ-
(ক) য়োইময়াই তাউদনবা (খ) য়ারৌ

২। ‘ইমাগী ফনেক মচেৎ’ কনানা ইবনো?

৩। ‘তেংথাখোল’ শৈরেং লাইরিক্কী অইবীদু কনানো?

৪। ‘নাপীনা ঈশৈ শক্লি’ মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৪, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# জিরি লম্বীগা তুংলমচৎকা লৈনবা মরী

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

***মণিপুরগী*** চীংগী মনুং হঞ্জিনবা লমশিংদা চখোক চৎশিন তৌনবা শীজিন্নরিবা লম্বীশিং, মরু ওইনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা ফাওন-লম্বী ওইরিবা নেসনল হায়ৱেশিং ফীভম শোক্লা শীজিন্নবা য়াদনা লৈরক্লিবসি ফনা কুইরক্লে। ঙসি ঙরাংতগী ৱা নত্তে। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, দিমাপুরদা ফি লল্লোনবগী থবক তৌদুনা লৈখিবা ঐগী অপোকপা ইপাগী নাক্তা চৎপদা ওইরমখিবা লম্বীগী থাক অদুদগীদি ঙসিগী থাক অসিনা ফনা ফজনা হেনগৎলবরা খল্লি। মতমদুদা অয়ূক পুং ৬ তগী খোঙশাল্লগা নুমিদাং পুং ৯ তাবদা য়ৌবগী ফীভম অদুদি ওইদ্রবনি। মতমদুদা উখিবা, লম্বীগী চিদাইদা, শুক্লবা চীংনুং অদুদা নেগ্রোগুম্না মুশুক মুবা, নেগ্রোমক্তি নত্তবা থবক শুবা মীশিংদু, ঙসিসু তরং তরং নীংশিংলি, কোয়লাস দ্রমশিং পাকথোকহল্লগা ফক্লাংসু-য়ূমথকসু ওইবা পাকখন মচা মচাশিং। গ্রেফ (জি আর ঈ এফ) হায়না থাবা হীগোগ মচুগী গাড়ীশিং, মদুদা হোন্দোক হোঞ্জিন তৌরিবা লেবরশিং। পি দল্লিয়ু দিগী মখাদা শেন্বা লম্বী নত্তে হায়বদি মখোয়শিংদু তত্তনা উরকপনা, পাখঙ ফারকপা মতমদুফাও খল্লকই। জি আর ঈ এফকী ফুল ফোর্ম (জেনরেল রিজার্ব ইঞ্জিনিয়ারিং ফোর্স) অসি খঙলকপদি থবক ফংদুনা চীংদা পোষ্টিং তারবা মতুংদনি। অদুগা চীংগী (ঙমখৈদা লৈবা) লম্বীশিং শেন্বগী থবক অসিনা বি আর ও (বোর্দর রোদ ওর্গেনাইজেসন) হায়বা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী বোদি অমনা তৌই হায়বা খঙলকপসিদি ইকুই কুইদ্রি হায়বা য়াই। ফত্তবা লম্বীদা চৎলুরবা, চীনসিদা হায়হৈদবা খোনচোপ কয়ানা লৈঙাকসিবু চৈবা হায়বসিদি ঐহাক্তগী ৱা নত্তে, মীপুম খুদিংমক্কী হৈনবী ওইরমগনি। চীং ফাওদুনা চৎলিবা নেসনল হায়ৱেশিংনা ফৎলমদবদা লৈঙাক চৈবগী হৈনবীদু ৱাফম অসি খঙলকপদগী তোকখিবনি। অদুবু লম্বী মশা অমত্তনা মণিপুরগী শরুক্তা হায়নীংঙাই লৈতনা ফৎত্রগা নাগালেন্দগী শরুক্তনা করিগী ফজনা শেল্লল্লিবা? চহী মঙামুক্কী মমাঙদা ইশাগী কার পুদুনা দিমাপুর চৎলুবা নুমিৎ অমদা ‘বি আর ও’ গী ওফিসার অমদা হংগে খনখিবনি। ইথৌ নত্তনা ইথৌ শাবা তারনি খন্দুনা হংখিদে। কাউসু কাউখ্রে নুমিৎ খরগী মতুংদা।

কাউরুবা ৱাফমশিংদু ঙসি ঙরাংসি পাউচে অমদি অতৈ ইলেক্ত্রোনিক মিদিয়াগী পাউ তারুবদা নৌহৌননা অমুক নীংশিংহল্লক্লে। ইম্ফাল জিরি লম্বীগী শোক্লবা ফীভমসি উরুবদা খল্লকখিবনি - ’সিদবু চীং তমগী কদায়দগী ফরনি? চীংগী খুঞ্জাশিংনা খল্লমগনি - তমগী লৈঙাক মপুনা থওইদদুনা শেন্বীদবনি। অসি য়ৌনা ফত্তবা ফীভমদা লৈর’ফাওবা ঐখোয়না শেন্ফম থোক্তে, বি আর ওগী মথৌনি খন্দুনা লৈথোকপদি, লৈঙাক্কীসু মরাল লৈ। ফর’-ফৎত্রসু লম্বীসিদি ঐখোয়গীনি। লমদমসিগী মীয়াম পূম্বা হিংহল্লিবা চাননবা পোৎলম খুদিং-অতিয়াগী লম্বীদা পুরক্তে। জিরি লম্বী নৎত্রগা দিমাপুর লম্বী অনীসিনা লমদমসিদা হিংলিবা থৱায় পানবা পূম্নমক্কী হিংনবগী পুক্লি পায়। মসি খঙদুনা নাগালেন্দ ফাওদুনা লাকপা গাড়ীশিংদগী পুবা থাংবা ঙমদবা, আইন্না য়াদবা টেক্স লৌবা, দ্রাইভরশিং ওৎ নৈবা তৌরকপদগী জিরি লম্বী তোপ ক্লাসতা থমগদবনি হায়বসি মীয়ামগী অহৌবা খোল্লাউ অমা লাউরকপনি। লম্বী অসিগী সোসল অমদি পোলিটিকল ইম্পোর্টেন্স য়েংলুরগদি বি আর ও’নসু খরা হেন্না মিৎয়েং চঙফম থোকপনি। অদুগা করিগী থোইনা হেন্না থওইদ্রিবা? মওল-মওল খলহল্লি। শিল্লিগুরি, দার্জলিংনচিংবা বোর্দরদা লৈহৌবা চীং লম্বীগী থাক অদু য়েংলুরগা, মণিপুরগী চীং লম্বীশিং করিগী ১৯ শুবা চহীচাগী থাক অদুদা থল্লিবা? ফোংনা হায়বা য়াদবা, নুংদা ইশাতনা খঙজগদবা মরম কয়া লৈ। চহী কুনমুক ফারক্লমাল্লে, জাপানিজ খরা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা মণিপুরগী লৈমায়দা লৈরোন চনখিবা মপা-মপুশিংগী খুভম থিবা লাকখিবশিংদুনা হায়রমখিবা ৱাদো - ঙসি নৌনা নীংশিংলকই। মহাক লান’দুদা মণিপুরদা লাক্লম্বা লান্মী ওইরমাল্লে। জিরি লম্বীগী ফীভম উবদা হায়রমখিবনি ... মণিপুরগী লম্বী-থোং সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার মনুংদা ওইহৌবা ফীভম অদুদগী ঙসি ফাওবা করিমত্তা ফগৎত্রি...।

ঙসি ঐনা কোল্লমসিগী খূৎথাংদা হংনীংই - মণিপুরগী লৈঙাকপশিং, মখোয় ইকায়বা করিমত্তা ফাওদবরা? কুনমাথোইশুবা চহীচাদা মহাক্কী মীওই কাঙলপ অমবু অসিগুম্বা লম্বীদা চৎহল্লিবা পোলিটিসিয়ন! মখোয় করম্বা পোলিটিসিয়ননো? মখোয়না তৌরিবা পোলিটিক্স করম্বনো? বি আর ওগী মখাদা লৈবরা মণিপুর গভর্ণমেন্ট? মখোয়, করিমতা তৌবা ঙমদ্রিবা করিগীনো? বি আর ও - দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী লেফটনেন্ট জেনরেল অমনা মকোক ওইবা ওর্গেনাইজেসন অমা ওইবনা হকথেংনবা কিবরা? ঙসিমক চৎলু, উন্নরুসো, মমাঙদা নখোঙ থিল্লুসো, টেবলদা খুতুম্না শুরুসো। ঙমদ্রগনা কুমথরকউ চৌক্রিদুদগী অঙম্বা অমা থোকচরক্কনি। লৈপাকসিবু অসুম্না থম্বা হৌনব্রা? মহাক্না উনবা কিরগা, থৌদাং অসি মঙোন্দগী লৌথোকউ, নহাক নশানা পায়শিল্লু। তেন পার্সেন্ট নত্তবা ফিফটি পার্সেন্ট চারসু হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদগীদি হেন্না ফগনি। নখোয়গী নতিক নগুণ ঐখোয় খঙই নীংথিনা।

ঐগী ৱাহৈ ৱাতাসিবু ফজদবা তারদ্রা! ফজবা ৱাহৈনা শক্তাকপা, তৌথোরকপা থবক্লা মথোঙ হুক্তবদুদগীদি - ফজদবা ৱাহৈনা অফবা থবক চিংথোকপা! অদুনা হেন্না ফত্তরা? কুমজা ১৯৬০, মে ৭ তা লিংখৎখিবা ‘বোর্দর রোদ ওর্গেনাইজেসন’ (বি আর ও) গী মোত্তোনি - ‘শ্রমেনা সর্বম সাধ্যাম’ (থবক কন্না শুরগা ঙমদবা থবক লৈতে)। ইন্দিয়াগী ঙমখৈদা লৈবা লম্বী-থোং অমদি অফবা মরী লৈনবা য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংগী লম্বী থোং শেমগৎপা অমদি ফগৎহনবা ওর্গেনাইজেসন অসি শেমগৎপগী মরু ওইবা পান্দমনি। ওর্গেনাইজেসন অসিনা য়েংশিল্লিবা লম্বীশিংগী অশাংবা কিলোমিটর ৩২,৮৮৫ নি, থোংশিংগী অপূনবা অশাংবনা মিটর ১২২০০ রোমনি।

বি আর ওগী ফিলোসোফিদ ‘মরুপ মপাং ওইবগী অফবা মরী লৈনবা য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিং’ হায়বা, য়াম্না মরৌ লৈবা ৱাহৈ অমা য়াওরি। য়ূমলোন্নবা লৈবাক ওইরসু, লান তৌনগদবগী শেম শাদুনা মতম চুপ্পদা লৈরিবা পাকিষ্টান অমদি চিনাগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা ইন্দিয়ানা লম্বী থোং শেন্বীরুবা হায়বদু’ম খল্লুবগী কান্নদ্রে। বংলাদেশ, নেপাল, ভুটান অমদি ম্যান্মার’দদি- ‘ইন্দিয়া’ পুকচেল চাউবা লৈপাকনি।

মণিপুরগী চীংগী লম্বী-থোং, করিগীদমক হায়নীংঙাই লৈতনা ফৎত্রিবনো? ফত্তবা শরুক্তুদমক উরক্লবা কোক্তুদা ‘নেগেতিব এট্রিচ্যুট’ অমা দিভলপ তৌরকই হায়নবদুগুম ৱাখলসিদা খলহৈদবা অমা খল্লকই। হায়নবদি লৈ - পোজিটিভ থোৎ নত্তনা নেগেটিভ থোৎ অদুদি অতোপ্পগা স্যের তৌগনু। ঐগীসিদি নেগেটিভ মাল্লবসু পামজবদুদি পোজিটিভ রিজল্টনি খল্লগা হায়দোকচরিবনি। ‘ইন্দিয়াদগী তোঙান তাজগে, ইন্দিয়াগী লৈঙাক থাজদে, নেসনল ফঙ্কসন খুদিংমক বোয়কোট তৌগনি, ইন্দিয়াদা পূনবা নুমিৎপু অমম্বা নুমিৎনি হায়জরিবা মখোয়বু ... ইরৈবাকচা ওইরবসু মরূপনি করম খনগনি... মখোয়গী নুংঙাই য়াইফনবা থবক ঐখোয়না তৌফম থোকপরা... মীদি মখৈ ফংনা ৱারগা মরীন চুম্মি হায়নবগুম, অমাংবা লৌদুনা চারগা হিংবৈ থাক্তুদা ৱাহল্লগা, মখোয় মশেল খৎনহল্লগা তপ্পা ৱাখল তাজরক্কনি...’ হায়বা ৱাখল পরিং অদুদা পায়খৎলকপা থৌশিল ওইরমগদ্রা?

ঐখোয়নদি খঙলগা মখোয় করিগী খঙলম্লোই - অমেরিকানা খ্বাইদৈ হেন্না চাওখৎপা লৈবাক ওইখিবগী মরমদি অফবা লম্বী থোংননি। এসিয়াদসু জপান, চিনা, সিঙ্গাপোর ৱাখলদু খুদুং ইনখিবনি। সহর ময়োলগী লম্বীগা, চীংগী খুল অনীখক্কী ফাওন লম্বীগা চপ মান্ননা শেমগনি হায়বা অমেরিকান রুলরগী ৱাখলদু, ইবোবীনা চেন্দ্রসু মোদিনদি চেনফম থোকই। মরমদি, মহাক্লা ৱাশক্লি - কুমজা ২০২২ দা ইন্দিয়া চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহনগনি।

# পুং ১০০ গী এসিষ্টেন্ট যোগ টিচরস ত্রেনিং কেম্প লোইশিনবা য়াওরুবদা

**সোরোক নোরেন**

***হায়নখিবা*** পুংফম চপ চানা হৌখিবা প্রোগ্রাম অমা হায়বা তারবদি যোগগী ত্রেনিং কেম্প লোইশিনবসিনা অহানবা ওইরে হায়বা তাই। মসিগী মপুং ওইবা থৌদাংদি শিল্লি লাংলিবা কাঙবুগী হোৎনজমননি। লোয়ননা প্রোগ্রাম অসিগী চীফ গেষ্ট ওইবিরিবা ৱাংখেমচা শ্যামজাই প্রসিদেন্ট, ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন, মতমবু য়াম্না কুপ্পা শীজিন্নবা, মতমবু য়াম্না মমল লৈজবা মীশকনি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা সমিতি মরি অসিগী অহল অমা ওইনা লৈবিরিবা রাজ্য প্রভারি, ভারত স্বাভিমান ট্রষ্ট মণিপুরগী কে এস ঐচ গোপেন্দ্রগী লমজিংগী মখা পোনবসুনি। ভারত স্বাভিমান (ট্রষ্ট), পটাঞ্জলি যোগ সমিতি, মহিলা পটাঞ্জলি যোগ সমিতি, য়ুব ভারত অমসুং কিষান সেবা সমিতি মণিপুর, সমিতি মরি অসিগী থৌবুরোইশিং য়াম্না থকসি-খাসি নাইনা চৎপগী মমি চাউনা তাই। মসিমক্তনা ঙসি পটাঞ্জলিগী যোগ সেন্টর ৫০০ গী মথক্তা ইরমদম অসিদা হাংদোক্তুনা হিংহনবা ঙল্লে।

দিষ্ট্রিক্ট মাপন লৈরিবা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট নিপানদি পটাঞ্জলি যোগ সেন্টর হাংদোক্তুনা যোগগী কান্নবা পীবা হৌরে। ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, সেনাপতি, চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট তরুক অসিগী যোগ শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা পুং ১০০ গী এসিষ্টেন্ট যোগ টিচরস ত্রেনিং কেম্প অসি ত্রেনর মরিফুতরানিপান্না শরুক য়াখি। হন্দক্কী অসিনা অহুম্লকশুবা যোগ টিচরস ত্রেনিং কেম্পনি। মমাঙদা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং কেম্প অদু ইরোইশেম্বদা লৈবা ময়োল বিল্ডিংগী কনফরেন্স হোলদনি। শরুক য়াখিবা ত্রেনরনা মশীং ৩০৯ নি। হায়রিবা ময়োল বিল্ডিং অসিগী মপু ওইবিরিবা হান্নগী দি জি পি মণিপুর, ৱাই জয়কুমার পটাঞ্জলি যোগ সমিটিগী লাইফ পেত্রোন মেম্বরনি। পেত্রোন মেম্বর মশানা যোগ শান্নরোয়শিংগী খনবিরগা চথখিবা ত্রেনিং কেম্প অদুগী হোল অৱাইমল যোগ শান্নরোয়শিংদা লেম্না কৎথোকপীখি। কৎথোকপা কয়ানা অচৌবা মতেং ওইদুনা মায় পাকপগী লম্বেলদা চঙশিল্লক্লিবা পটাঞ্জলি যোগ সমিটি, ঙসিদি ইরমদমসিদা মরা তারবগুল্লে। অনীশুবা ওইনা পাঙথোকখিবা টিচরস ত্রেনিং কেম্পনা কাঙবম লৈকায়গী ক্লাস মান্দবতা ওইখি। শরুক য়াখিবা ত্রেনিং মশীংনা ১২০ নি। অহানবদা পাঙথোকখিবা কেম্প অদু ত্রেনিশিংগী খুদোংচানবা হোৎনবদা মশক থোকপা ঙমখিদবনা অনীশুবদি ত্রেনি ১২০ ওইহনখি। হন্দক্কী অসিনা অহুমশুবা ওইরগা খুমন লম্পাক ফেন্সিং হোলদা পাঙথোকখিবদা ত্রেনি ৯৮ না শরুক য়াখি। পুং ১০০ গী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি মপানগী যোগদা খঙ হৈরবা রিছোর্স পার্সন কয়া নেক্তুনা মপূং ফাবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমদি ওইরে। মায় পাক্লবা ত্রেনিশিংনা কেম্প য়াওরুবগী সার্টিফিকেট পায়দুনা মোমোন নোকপা উরগা, শিল্লিবশিংগী থম্মোয়দা ফাওখিবা ইহুলদো মদুনি ঙসি কেম্প লোইবগী অরোইবা নুমিৎতা থেংনখিবা নুঙাইবা।

পুং ১০০ গী এসিষ্টেন্ট যোগ টিচরস ত্রেনিং কেম্প লোইশিনবগী থৌরম অদু ৱাংখেমচা শ্যামজাই প্রসিদেন্ট, ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন, মণিপুরনা ওইদুনা রাজ্য প্রভারি ভারত স্বাভিমান ট্রষ্ট কে এস ঐচ গোপেন্দ্রনা তৌবিখি। গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা ডা. চোংথাম মেমচা দেবী দিষ্ট্রিক্ট টি বি ওফিসার, ইম্ফাল ৱেষ্টনা ওইরগা থৌরমদু যোগবু থম্মোয়না, হকচাংনা, শেল ওইনা, ৱাহৈনা মতেং পাঙবিদুনা মীনুংশি উৎপিরকখিবা মীওই অয়াম্বা দাইজদা কৌখৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎপীখিবা অদুমক্তি য়াম্না থাগৎনিঙাইনি। পূম্নমক নুংশিবগী ঈচেল অমতা ওইনা তিলহন্নবা হোৎনরিবা খোঙথাংসি তুং কোয়বা ওইসনু হায়জরি। থৌরম অদুগী মাষ্টর ওফ সেরোমোনি ওইদুনা প্রোগ্রাম অদুবু থৌবু ওইবিখিবী এন নিলিমা দেবী, রাজ্য প্রভারী, মহিলা পটাঞ্জলি যোগ সমিটি মণিপুরসি হনবা নাইদ্রি। ইরমদমগী নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবগী পান্দম হোৎনবা লেপত্রি। মরু ওইনা মহাক মশামক উবদা যোগ শান্ননিংবগী অপাম্বা শোয়দনা পোক্কনি। যোগ শান্নবদুনা ঙসি নিলিমানা ওইজরিবা শক্লোন, শক্তম অসি ফংবা ঙল্লিবনি হায়না চাওথোকচবসিদা ঐখোয়সু শরুক য়াফম থোকই। হকথেংননা হংবদা মীওইবগী পুন্সি তঞ্জায় হেল্লক্লে, মচা মমৌ লৈরে হায়রিবা নিলিমা য়াল্লবা চহীদুগী মমি মায়থোংদা মচেৎ অমা ফাওবা পুশিল্লক্তবসি যোগগী মপান্ননি হায়দুনা হেক্তমক হায়রে। অশেংবনি নিলিমা চহীগা শক্কা শুংচান চান্নদ্রে। চুম্না, অরানবা, ওইদবা অমত্তা তৌনদনা নুংশিবগী অচুম্বা লিচিং অমতংনা পূনবা ঙম্নবা হোৎনরিবা যোগগী সমিতিদা ওইদবা তৌরে হায়না লৌগদৌরিবসি নিলিমানি। রাজ্য প্রভারি মহিলা পটাঞ্জলি যোগ সমিতি মণিপুরগী এন নিলিমা দেবী চহী ৫০ হেল্লে হায়জিনবসিমদি থাজবা ঙমদে। মসিমদি ঐসু অততাই ওইনীংই। হায়জিল্লগা নমদুনা যোগ য়াওনীংহন্নবা হোৎনরিব্রা। মসিগী থৌদাং রাজ্য পভারি মশানা লৌবিরো।

থৌরম অদুগী কি নোট এদ্রেস পীবিখিবা ডা. এন রাজেন্দ্রো সিংহনা রাজ্য প্রভারি পটাঞ্জলি যোগ সমিটি তশেংনা যোগদা থৱায় হকচাং পূম্নমক কৎথোক্তুনা অঙম্বী থাক্তা চেল্লিবা মীশকনি। ৱাই কৌবদা হায়দ্রবা ডা. রাজেন্দ্রগী থৌওং য়াম্না চাওরি। অমমমতা পুথোক্তুনা অঙম্বা থাক্তা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা পটাঞ্জলিগী মীওইশিংসি লোইনমক্তি শীংথানীংই। অদুবু খরদংদি পল্লমদবা য়াররোই। তেল্লবসু তেন্না সদানন্দা, নুপী মরক্তগী রোমোলা, ইন্দুবালা, ময়ূমমক্কী থোকপা থৌদোক্তুম থৌরম অমতং হেক শিনবদা মাঙজিল থাবিরিবা পটাঞ্জলিগী মীওইশিংসি য়াম্না ইচং থৌরি। খ্বাইদগী মরু ওইবা মীশক অমা হায়রগনা মণিপুর ষ্টেটকী কার্যাল্যায়া প্রভারি (ওফিস ইন চার্জ) রতনকুমার নিংথৌজা। মাগুম্বা য়াম্না নহা ওইরিবা অমগী মফম পটাঞ্জলি যোগ সমিটি হরিদ্বারনা শকখঙবিবসি রতনকুমারগী কৎথোকপদুননি। থাগৎনীংঙাইনি, চুম্নদগী যোগগী ৱাখল্লোনবু মীয়ামদা দেমো তৌ তৌদুনা হকথেংনরিবা মাগুম্বা কয়াগী যোগ শান্নরোয় লেপ্পা লৈতনা থোরকপা ওইসনু। তংদু লৈতাদ্রবা ইরমদমগী নহারোল কয়াদা ময়ায় কাবা চিঞ্জাক্লা চুশিল্লক্লিবা খুন্নাইসিবু নাম্থোকহন্নবগী কিসি থোক্লবা হোৎনরিবা যোগগী রতনকুমার নিংথৌজা শান্নরোয় খুদিংমক্লা ইকায়খুম্নফম থোকই, তৌবিমল মতিক চানা উৎপীগদবনি। মপান্দা লৈরিবা ঐখোয়না রতনকুমারগী থৌদাং উবসিদা অসুক য়াম্না পেল্লবসিনদি শান্নরোয়শিংনদি করি ফাওরমগনি মদুমদি শান্নরোয়শিংগী ওইরসনু। অসুম্না পুং ১০০ গী এসিষ্টেন্ট যোগ টিচরস ত্রেনিং কেম্প লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ৱাংখেমচা শ্যামজাইনা ইং তপ্পনা শান্তি লৈনা হিংনবগী লম্বী য়াৎপীরল্লিবা যোগ সমিতিবু থম্মোয় শেংনা থাগৎপীরম্বদুদি মমল য়াল্লবা ৱাহৈনি। তশেংবনি তং তাদবা চরক-চহিং নাইবা খুন্নাই অমা ওইরক্লিবসি ৱাখল লৈতানা খন্দবদগী তৌরক্লিবনি। অশাউবা অথিংবা অপাম্বনা লাকহৎপনা মাঙজিন থারিবা খুন্নাই অসি যোগগী মীওই খুজোক খরা অসিনা পূম্নমক চুমথোকপা ঙমদ্রবসু শান্তি লৈনা ইংনা তপ্না খন্ন নৈনরকপা মতমদা খরদা ওইরবসু মতেং পাঙবা ওইরসনু হায়বিরম্বদো মমল য়ামখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুগী য়াম্না মশক থোকপা খরা হায়বা তারবদি অহানবদা থৌরম হৌদোকপা ওইনা চীফ গেষ্টনা মৈরা চুখৎপা হৌরকপদা ঐখোয়গী চৎনবী ওইনা য়াম্না চহী নৌরিবী যোগগী শান্নরোয় এন সি ৱিন্দিনা মোইবুং খোঙদুনা হৌদোকখিবদুনি। এন সি ৱিন্দি যোগগী শান্নরোয় অমদি ওইরবসু ত্রেনিং কেম্প অদুগী ত্রেনি অমদি নত্তে। অদুবু য়াম্না নুঙাইবা ফাওরিবদি ঐনা নঙগী মীং করি কৌই হায়না হংবদা ক্লাস থ্রি তল্লিবী এন সি ৱিন্দিনা খুল্লকপা পাউখুমদুদনি। নঙগী এন সি হায়রিবসি করিনো হংবদা এননা নিংথৌজম, সিনা চঙাঙ্গৈ। চঙাঙ্গৈদা লৈবা নিংথৌজম ৱিন্দিনা খঙনবা এন সি ৱিন্দি হায়না অদুম ইরে, হায়না ক্লাস থ্রিগী লেবেলনা অদুক মচা খায়না তাক্লম্বদু কাউবা ঙমদ্রি। থৌরম হৌদোক্লবগী তুংদা মখা তাবা শরুক ওইনা ৱাই অরুনকুমারীনা গাইত্রি মন্ত্রগী ঈশৈদা নত্তনা অতোপ্পা মতম ঈশৈগী খুদোল তমদুনা যোগ ক্লাসতগী খরা থৈদোকখিবদুসু মখল অমগী মহাওনি। যোগগী ফজ ফজরবা আসন কয়া শান্নরোয়শিংনা মপূং ফানা উৎখিবদুসু অপেনবা পোকপদা নত্তনা থাগৎতবা ঙল্লোই। থৱায় য়াওনা চাং নাইনা শান্নরে হায়বা খঙলে। মপূং ফাবা শান্নরোয় অহল, নহা কয়ানা দেমো তৌবিরম্বদুনা উবা ফংলে। চীংঙামখালিৱা লম্বী কেলি মখোং যোগ সেন্তরগী যোগ শান্নরোয় মাইবম ইবেল্লে চহী ৬৮ না ষ্টেজদা কাখৎতুনা মপূং ফারবা যোগগী আসন কয়া উৎপিরম্বদু উবদা পূম্নমক্লা পেন্নখি। মশামক মণিপুর লৈঙাক্কী শিন্মী অমা ওইরম্বদগী পোত্থাদুনা যোগদা থৱায় য়াওরক্লিবা শান্নরোয় অমা ওইরে ঙসিদি। হায়রিবা সেন্তর অসিবু লমজিং লমতাকপীদুনা হোৎনবিরিবনা ইরোম ভোগিরথনি। মাগী মখা তাবা যোগগী ওজানা ৱাই অরুনকুমারী দেবীনা ওইদুনা শান্নরোয়শিং অসি থা অহুমগী ত্রেনিং ফংদুনা ঙসিদি যোগগী পুং ১০০ গী এসিষ্টেন্ট টিচরস ত্রেনিং য়াওবা ফংজরে। লোয়ননা চহী য়াল্লবা মাইবম ইবেল্লেনা মপূং ফাবা আসন খরা উৎলম্বদু য়াম্না চাওথোকচনিঙাইনি হায়রিবা সেন্তর অসিগী। ইবেল্লেগুম্বা কয়া অমসু অতোপ অতোপ্পা সেন্তরশিংদা মশীং খঙদনা লৈরে হায়না পানরিবসি পটাঞ্জলিগীদি য়াম্না লাইবক ফবনি। ঙসিগী ইন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রাম ওইনা শরুক য়াখিবদা কাউবা য়াররোইদবা অমখক্তংদি থোঙাম শামা খাবা। মীং অসি হায়দুনা কৌথোরকপদা নুপী ওইনা থোরকপনি। অহানবদা মীয়াম পূম্নমক পুমঙক ঙক্তুনা য়েংনখি। মীশক ওন্নদুনা থোরক্লবরা হায়না। অদুবু কোনথংদদি অমুক্কসু হন্না লাউথোরকপদা খঙখি শামা খাবা নুপী নত্তে অশাবা নুপীনি হায়বা। ওন্থোক্লা মানমনখিদুনা মীয়াম পূম্নমক মচিন কাথোক্লবা ঙম্নখিদে। লীলাগী নুপী শাবীশিং থেংনরবদি লীলা য়াওনবা ফাদুনবু পুরমগনি। অদুবু মদুমক্তি থোকখিদ্রে। মখল মথেল কয়াগী হরাউ তয়াম্বা জগোয় ঈশৈ কয়ানা থৌরম অদু মপূং ফানা লোইশিনখি। হেন্না নুঙাইখিবদি মতম ঈশৈগী শৈশকপশিংনা তিল্লিবা মীয়ামগী খুবাক অহৌবা মখোল নিবিদুনা শকপগী থৌরমগুম্নদি থোকখিদে। তৌরি তৌরিবা থৌরমশিং অদুবু য়েংবদা পেঞ্জবা ঙাক্তা ওইবনা হায়নরুবা তৌদনা খুনরকখিবা খুবাক্কী মখোল ঙাক্তনি।

অসুম্না পুং ১০০ গী এসিষ্টেন্ট যোগ টিচরস ত্রেনিং কেম্প লোইশিনবদা কায়নবগী পুংফম হোংবা য়ারোইদবনা অমগা অমগগী মরক্তা নুংশিনরম্বা মরীশিং হেন্না চেৎশিন্নরকপগুম উখি। নুমিৎ ২০ নিগী ক্লাস অদুদা সেন্তর মখল কয়াদগী খঙনবা খঙনদবা থিদনা পূন্না শরুক য়ামিন্নখিবা, লোইশিল্লকপদদি মীৎলু পিরাংনা কায়নবা তাখি। যোগ শান্নরোয়শিংনা মথংগী যোগ কেম্পকীদমক ময়ূম মায়কৈ পাংনখ্রবসু, অহৌবা খুবাক মখোলনা নিন্দুনা লৈহৌরিবা খুমন লম্পাক্কী ফেন্সিং হোলদুনি; মপান থোক্তুনা অনৌবা যোগ শান্নরোয় পুথোক্লবা হোৎনবদা চাওরবা মতেং ওইরুরসনু।